

# মনালৈবাক স্পোর্টস





*ন্যু জিলেন্দগা শান্নগদবা টুরগী ইন্দিয়া ‘এ’ গী স্কৱাদ লাওথোকপদা য়াওখ্রবা রঞ্জি ট্রোফিদা মুম্বাইগী মায়কৈদগী দবল সেঞ্চুরি লৌখিবা পৃথবী সো*

*ইংলেন্দগা শান্নগদবা টেষ্ট সেরিজ লোইরবা মতুংদা ক্রিকেট মশান্নদগী পোত্থারগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা সাউথ অফ্রিকাগী ওল রাউন্দর ভেরনো ফিলান্দর*

## ভিরাট কোহলি, রোহিট শর্ম্মনা ও দি আই বেট্টিং রেঙ্কিংদা নম্বর ৱান অমসুং টু পোজিসন তাখ্রে

*দুবাই, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সি) ঃ*

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আই সি সি) না ঙসি থাদোরকখিবা ৱান দে ইন্টরনেসনেলগী খ্বাইদগী নৌবা বেট্টিংগী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি অমসুং দিপ্যুতি রোহিট শর্ম্মনা নম্বর ৱান অমসুং টু রেঙ্কতা লৈবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি হন্দক্তা ৱেষ্ট ইন্দিজগা শান্নখিবা ও দি আই সেরিজদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবদগী সিজন অসিগী অরোইবা ওইনা আই সি সিনা ফোঙদোরকখিবা বেট্টিংগী রেঙ্কিংদা নম্বর ৱান পোজিসন্দা লেঙদনা লৈবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াই, ৱেষ্ট ইন্দিজগা ঙরাং কট্টক্তা শান্নখিবা অহুমশুবা অমসুং অরোইবা ৱান দে মেটচতা ইন্দিয়া টিমগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা রন ৮৫ লৌবা ঙমখিবদগী ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ৪ দা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ২–১ দা লৌহনবদা চাওনা মতেং পাঙখিবনি।

ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা চৎলিবা চহী অসিদা ফোর্মেট খুদিংমক্কী ওইনা খ্বাইদগী য়াম্না রন লৌবগী রেকোর্দ থম্না ঙম্লি। মহাক্না কুমজা ২০১৯ দা ফোর্মেট অহুমক্তা পুন্না রন ২৪৫৫ লৌবা ঙমখিবনি।

নাকল অমরোমদা ইন্দিয়াগী লিমিটেদ ওভরগী ভাইস কেপ্টেন রোহিট শর্ম্মসু চৎলিবা চহী অসিদা ওপনর অমা ওইনা খ্বাইদগী য়াম্না রন লৌবা ঙম্বগী রেকোর্দ থম্বগা লোয়ননা চহী ২২ শুরবা শ্রী লঙ্কাগী শান্নরোই সনাথ জয়াসুরিয়াগী রেকোর্দ অদু থুগাইবা ঙমখিবনি।

রোহিট শর্ম্মসু হন্দক্তা ৱেষ্ট ইন্দিজগা শান্নখিবা ও দি আই সেরিজ অসিগী অরোইবা অমসুং অহুমশুবা মেটচতা রন ৬৩ লৌরমখি। মমাঙদা শান্নখিবা মেটচশিংদসু ফজবা ঙমখিবদগী বেট্টিংগী রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা অনীশুবা মফমদা হাইগৎপা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বেটসমেন লোকেস রাহুল অমসুং শ্রেয়াস আয়রসু ঙসি আই সি সিনা লাওথোরকখিবা রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা মফম হাইগৎপা ঙমখ্রে। লোকেস রাহুলনা ৱেষ্ট ইন্দিজগা শান্নখিবা সেরিজ অসিদা রন ১৮৫ লৌবা ঙমদুনা পোইন্ট ১৭ হাইগৎপা ঙমখি। শ্রেয়াস আয়রসু রন ১৩০ লৌবা ঙমদুনা ১০৪ দা লৈরম্বদগী ৮১শুবা পোজিসন্দা হাইগৎখ্রে।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী ৱিকেটকিপর বেটসমেন সাই হোপ্পা ইন্দিয়াগা শান্নখিবা ও দি আই সেরিজ অসিদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা পুন্না রন ২২২ লৌবা ঙমখিবদগী মফম ৫ হাইগৎলগা টোপ টেনগী মনুং চনবা ঙমখি। মহাক্না চেন্নাইদা শান্নখিবা মেটচতা আওট ওইদনা রন ১০২ লৌবা ঙমখিবনি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী অতোপ্পা বেটসমেন সিমরোন হেটমেয়রসু থাক ৬ হাইগৎলগা ১৯শুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙমখি।



*ও দি আইগী বেটসমেন রেঙ্কিংদা নম্বর ৱান অমসুং টুদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী কোহলি (য়েৎ) অমসুং রোহিট*

## লাজিওনা জুবেন্টসপু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা ইটালিগী সুপর কপ টাইটল লৌখ্রে

*রিয়াধ, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সি) ঃ*

ইটালিগী ৩২শুবা সুপর কপকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা লাজিওনা জুবেন্টসপু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

ইটালিগী সুপর কপ অসি সেরি এগী কুমজা ২০১৮–১৯ সিজনগী চেম্পিয়ন অমসুং কুমজা ২০১৮–১৯ কোপ্পা ইটালিয়াগী ৱিন্নরগা শান্নবনি। জুবেন্টস সেরি এগী চেম্পিয়ননি অদুগা লাজিওনা কোপ্পা ইটালিগী চেম্পিয়ননি।

লাজিও অমসুং জুবেন্টসনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসি থারগা ৫রকশুবা ওইরি। কম্পিটিসন অসিগী পুৱারীদা টিম অনী অসিনা খ্বাইদগী তোয়না লম্বা তৌনরি। ইটালিগী সুপর কপ অসিদা ইন্টর মিলান অমসুং রোমানা চেম্পিয়ন ৪ / ৪ রক ওইবা ঙমখ্রে।

লাজিও অমসুং জুবেন্টসনা মমাঙদা থেংনখিবা মেটচ ৪ দা ২ / ২ মায় পাকপা ঙম্নরি। জুবেন্টসনা কুমজা ২০১৩ অমসুং ২০১৫ দা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি অদুগা লাজিওনা কুমজা ১৯৯৮ অমসুং ২০১৭ দা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

ইটালি সুপর কপকী ঙরাং অথেংবদা সাউদি অরাবিয়াগী সিটি রিয়াধতা লৈবা কিং সাওদ য়ুনিভর্সিটি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসি হৌবদগী লাজিওগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথদুনা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। অদুবু জুবেন্টসকী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্লদুনা লাকপা ঙমখিবদগী গোল চনশিনবা ঙমহন্দনা লাকখি।

লাজিওগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথরকখিবা অদুগী মহৈনা মেটচকী ১৬শুবা মিনিটতা টিম অসিগী শান্নরোই লুইস অলবার্টোনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ মাঙজিল থাদুনা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংদা প্রেসর পীশিনবা হৌখি।

গোল শোত্থরিবা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনা অনৌবা লাল্লোং কয়া শীজিন্নদুনা ইক্কেলাইজর ওইনবা কন্না হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু লাজিওগী শান্নরোইশিংনা অরেম্বা তাহন্দুনা লাকখি। লাজিওগী শান্নরোইশিংনসু খুদোংচাবা হেক ফংবগা গোল চনশিন্নবা হোৎনরকখি অদুবু গোল ওন্থোকপা ঙমদনা লাকখি।

মতম কুইনা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্মদনা লাকখ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনিটতা গোল শোত্থরিবা জুবেন্টসকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই পোল দিবালানা গোল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকপদগী মায়কৈ অনীদগী অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙম্মদনা মতম কুইনা লাকখি। অদুবু মেটচকী ৭৩শুবা মিনিটতা লাজিওগী শান্নরোইশিং গী এটেক অমদা সেনাদ লুলিকনা গোল অমা হাপচিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা লাকখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৯০শুবা মিনিটতা জুবেন্টসকী শান্নরোই রোদ্রিগো বেন্টানকুর মেটচ কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা তাহ্নোকখিবদগী টিম অসিগী শান্নরোই ১০ দমক ঙাইহৌখি।

শান্নরোই অমা ৱাৎপগী খুদোংচাবা লৌরদুনা লাজিওগী শান্নরোইশিংনা মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখ্রবা মতুং ইনজুরি টাইমগী অহাপ্পা মতমগী ৪শুবা মিনিটতা য়াম্না ফজবা এটেক অমা চথদুনা টিম অসিগী শান্নরোই দানিলো কাটাল্ডিনা গোল অমগা হাপচিনবা ঙমদুনা ইটালিগী সুপর কপকী ফাইনেল মেটচ অদু লাজিওনা জুবেন্টসপু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।



*ইটালিগী সুপর কপকী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা লাজিওগী শান্নরোইশিংনা ট্রোফিগা লোয়ননা হরাওবা ফোঙদোকপা*

## ইন্দিয়াগী ৱেঠলিফটর রাখি হাল্ডরনা অনৌবা সেনিয়র নেসনেল রেকোর্দ অনী থম্বা ঙমখ্রে

*দোহা, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সি) ঃ*

কাটারগী কোনুং দোহাদা পাঙথোকখিবা কাটার ইন্টরনেসনেল কপ্তা ইন্দিয়াগী নুপী লিফটর রাখি হাল্ডরনা কেজি ৬৪ গী কেটেগোরিদা অনৌবা সেনিয়র নেসনেল রেকোর্দ অনী থম্বা ঙমখ্রে।

কাটার ইন্টরনেসনেল কপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী কেজি ৬৪ গী কম্পিটিসন্দা ইন্দিয়াগী লিফটর রাখি হাল্ডরনা স্নেটচতা কেজি ৯৫ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১২৩ পুন্না কেজি ২১৮ থাঙ্গৎপা ঙমদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখ্রবসু ইন্দিয়াগী অনৌবা সেনিয়র নেসনেল রেকোর্দ অনী থম্বা ঙমখি।

রাখি হাল্ডরনা চহী অসিগী জুন থাদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্ঠ চেম্পিয়ন্সিপ্তা পুন্না কেজি ২১৪ থাঙ্গৎপা ঙমদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি। মহাক্না স্নেটচতা কেজি ৯৪ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১২০ থাঙ্গৎপা ঙমখি।

দোহাদা চত্থরকপা কাটার ইন্টরনেসনেল কপ অসি টোকিও ওলেম্পিক ক্কালিফায়িংগী সিলভর লেবেল ইভেন্ট অমনি। কপ অসিনা ইন্দিয়ানা পুন্না মেডল ৩ লৌবা ঙমখি।

অহানবা নুমিৎতা মমাঙদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবী মণিপুরগী লিফটর লাইশ্রম সরিতা দেবীনা গোল্ড মেডল লৌখি অদুগা মথংগী নুমিৎতা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন দা মীজোরামগী লিফটর জেরেমী লালরিন্নুঙ্গানা সিলভর মেডল অমসু লৌবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াই, লিফটর অমনা টোকিও ওলেম্পিকক্তা ক্কালিফাই ওইনবগীদমক কুমজা ২০১৮ গী নবেম্বর থাদগী ২০২০গী এপ্রিল ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ইভেন্ট ৬ তা শরুক য়াদুনা গোল্ড অমসুং সিলভর মেডল অমমম ফংবগী মথৌ তারি।



## মহারেজ, সালাহ অমসুং সাদিও নোমিনেট তৌখ্রে

*কাইরো, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সি) ঃ*

রিয়াদ মহারেজ, মোহদম সালাহ অমসুং সাদিও মানেনা অফ্রিকান ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়র মনাগীদমক নোমিনেট তৌখ্রে।

অলজেরিয়া মচা রিয়াদ মহারেজ ইংলেন্দগী চেম্পিয়ন ফুটবোল ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিদা হৌজিক–হৌজিক শান্নরিবনি। ইজিপ্তকী ষ্টার মোহমদ সালাহসু ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুলদা শান্নরিবনি। সালাহগা লোয়ননা সেনেগাল মচা সাদিও মানেসু লিভরপুলদা মহাক্না পুন্না শান্নমিন্নরিবনি।

নোমিনেট তৌখ্রবা শান্নরোইশিং অসি নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা কনফেদরেসন ওফ অফ্রিকান ফুটবোল, মমাঙগী শান্নরোই অমসুং মেদিয়াগী পেনেলনা খনগৎখিবনি।

অফ্রিকাগী নেসনেল টিম ৫৪ দগী লাকপা কোচশিং অমসুং কেপ্টেনশিংনা ভোট তৌদুনা অফ্রিকান ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়রগী মনা অদু খনগনি। খনগৎলবা শান্নরোই অদু মথং চহীগী জনুৱারী ৭ দা ইজিপ্তকী সিটি হুরগাদাদা পাঙথোক্কদবা সেরেমোনিদা মনা অদু য়েন্থোকনি।

ইজিপ্ত মচা মোহমদ সালাহ অফ্রিকান ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়রগী মনা চহী অনী থংন–থংননা ফংবা ঙমখ্রবনি। মহাক্না ফংখিবা চহীশিং অদুদি ২০১৭ অমসুং ২০১৮ দনি। কুমজা ২০১৬ তা অলজেরিয়া মচা রিয়াদ মহারেজনা ফংখি। সেনেগাল মচা সাদিও মানে কুমজা ২০১৬ তা অহুমশুবা তাহৌখি। অদুগা ইজিপ্তকী মোহমদ সালাহনা রন্নর্স অপ তাহৌখিবনি।

## ৫শুবা মনিশং নীংশিং ষ্টেট লেবেল মিনি বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ৱাই আই সি অমসুং গোল্ডন এফ সি (এ) মায় পীখ্রে



*ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৩ (এস এন এস) ঃ*

রাইজিং নোলেজ ক্লব খুয়াথোংনা শীন্দুনা থা অসিগী ২১ দগী টিম ১৭ না গ্রুপ ৪ থোক্না খাইদোক্তুনা চত্থরিবা ৫শুবা ইমা মনিশং নীংশিং ষ্টেট লেবেল ৪ এ–সাইদ মিনি বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাই আই সি কৈশামথোং, গোল্ডন এফ সি (এ) পেলেস কম্পাউন্দ অমসুং এন ৱাই কে থাংমৈবন্দ মায় পাকখ্রে।

ঙসি ঐচ বি এ কৈখু অমদি ৱাই আই সি কৈশামথোংনা শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দদা ৱাই আই সিনা ঐচ বি এবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ৱাই আই সিগী কৈশামথোংগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ এন্টিকুসনা মিনিট ২৩ অমসুং জর্সি নম্বর ১০ মার্টানা মিনিট ২৯ দা চনখি। মায়থিরবা ঐচ বি এ কৈখুগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৬ নৱাজনা মিনিট ২৬ তা চনখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা এল টি ৱাই দি ও ললাম্বুং অমসুং গোল্ডন এফ সি (এ) পেলেস কম্পাউন্দনা শান্নখিবা মেটচতা গোল্ডন এফ সি (এ) না এল টি ৱাই দি ওবু ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। মায় পাক্লবা গোল্ডন এফ সি (এ)গী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৮ শর্ম্মনা মিনিট ২৮ দা চনখি।

অহুমশুবা গ্রাউন্দদা এন ৱাই কে থাংমৈবন্দ অমদি এন ই এস য়ু খুরাই থাংজম লৈকাইনা শান্নখিবা মেটচতা এন ৱাই কেনা এন ই এস য়ুবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এন ৱাই কে থাংমৈবন্দগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৯ কে ঐচ খাইসিনা চনখি। ৪শুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবদা এল কে ৱাই দি এ অমদি আর কে সি (এ) খুয়াথোং গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

## রিয়েল মাড্রিদ অমসুং এঠলেটিক বিলবাও দ্রো চৎখ্রে

*মাড্রিদ, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সি) ঃ*

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগাগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা রিয়েল মাড্রিদ অমসুং এঠলেটিক বিলবাও গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

মেটচ অসি হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফতা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি। অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপদসু টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদবদগী মেটচ অসি গোল চন্নদনা দ্রো চৎখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা লেভান্টেনা সেল্টা ভিগোবু গোল ৩–১ দা মায়থিবা পীখি। শান্নবগী ১২শুবা মিনিটতা সেল্টা ভিগোগী শান্নরোই আইগো এস্পাসনা গোল অমা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা লেভান্টেগী শান্নরোই রোজর মার্টিনা মেটচকী ৬০ অমসুং ৭০শুবা মিনিটতা গোল অনী চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৯০শুবা মিনিটতা লেভান্টেগী শান্নরোই বোরজা মেয়োরেলনা গোল অমগা চন্দুনা ৩–১ দা মায় পাকখি।

### ক্রোসৱার্দ ৩৭৮ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| P | H | E | W | ■ | S | O | S | O | ■ | C | A | R | O | M |
| L | A | M | A | ■ | A | L | E | C | ■ | O | S | A | K | A |
| U | N | I | T | ■ | M | E | N | U | ■ | A | T | T | A | R |
| N | O | R | T | H | P | O | O | L | ■ | X | R | A | Y | S |
| K | I | S | S | E | S | ■ | R | A | T | I | O | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | ■ | M | O | E | ■ | R | E | A | D | M | I | T |
| G | S | T | R | I | N | G | S | ■ | E | L | O | I | S | E |
| A | H | O | Y | ■ | ■ | G | U | T | ■ | ■ | O | D | I | N |
| T | O | G | A | E | D | ■ | N | E | A | R | M | I | S | S |
| S | P | O | N | G | E | S | ■ | A | B | E | ■ | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | S | O | F | A | S | ■ | A | L | A | M | O | S |
| D | E | L | H | I | ■ | F | U | N | N | Y | B | O | O | N |
| A | D | I | O | S | ■ | A | R | I | D | ■ | O | U | Z | O |
| D | I | V | O | T | ■ | R | E | N | O | ■ | U | S | E | R |
| S | T | E | P | S | ■ | I | R | A | N | ■ | T | E | S | T |


**In the Court of Sub-Deputy Collector**
**Salam, Imphal West**

*Ref. :- Mutation Case No. 477/SDC/IW(S)*
*Dated 16/12/2019*

Thangjam Premeshwori Devi D/o Raghumani Singh of Haorang Keirel Mayai Leikai
***- Petitioner***

***-Verses-***

Late Irengbam Memtombi Devi W/o Raghumani Singh of Haorang Keirel Mayai Leikai
***- Opposite Party***

**NOTICE**

*Imphal, the 23rd Dec. 2019*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Irengbam Memtombi Devi W/o Raghumani Singh সাং Haorang Keirel Mayai Leikai গী মিংদা লৈবা Salam তহশিলগী খুল নং 67-Haorang Keirel গী অনৌবা পাট্টা নং 196 দাগ নং 1292 অমসুং এরিয়া 1.25 acre চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌনিংলবদি অইবা চেগা লোয়ননা তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে হায়না লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Salam, Imphal West

SL/B(L)(1)/24



**নোটিস / NOTICE**

Narankonjin Primary School (Aided) কী অহাংবা Post (unapprove Teacher) অমা লৌজগনি। হায়রিবা Post অসি Locality area দা লৈবা মীওইশিংদা খুদোংচাবা পীজগনি Male / Female ওইরবসু য়াই, মহৈগী থাক য়ামদ্রবদা B.A Pass ওইগদবনি, D.EL.ED. গী চহী অনীগী Diploma Course লোইগদবনি Pass তৌগদবনি, P.U. Sc./ P.U.C. দা য়ামদ্রবদা 1st Division/ 2nd Division দা Pass তৌবা ওইগদবনি। থৱাই য়াওবা পাম্বীবা মীওইশিংনা 30/12/2019 ফাওবগী মনুংদা School অসিগী SMC. গী Secy / Head Master দা application থাবিরকপা য়াগনি। মখা তানা application থারকপা লৌজরোই।

*Sd/-*
*Head Master*
Narankonjin Primary School (A)
(Th. Debanda Singh)
# 9436279579

*SL/5636/24*



# SACRED HEART HR. SEC. SCHOOL

**POROMPAT, OPP. DDK IMPHAL**

**Recognised by the BOSEM & COHSEM**

# ADMISSION OPEN

**FOR THE ACADEMIC SESSION 2020**

**FOR THE CLASSES PRE-NRY TO CL-VIII**

With the completion of 30 years of service in the field of education, School is pleased to announce SPECIAL CONCESSION for admission to NURSERY & PRE-NURSERY.

Plz. Contact School Office for more details during School hours. Sd/- Principal

*SL/5587/6 Dec.+ 15 Days*